# এন দি এন্দ পি এস এক্ট, ১৯৮৫

## এন্দ দি প্রিভেন্সন ওফ ইলিসিট ত্রাফিক ইন নার্কোটিক দ্রগ এন্দ সাইকোত্রোপিক সবষ্টেন্সেস এক্ট, ১৯৮৮ এন্দ রুলস

- নন্দা -

**ইন্ত্রদ্যুক্সন :** মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী বোর্দর ষ্টেট অমনি। অদুনা আইন্না য়াদবা (ইলিগেল) মওংদা ময়াই কাবা দ্রগ মখল কয়া পুথোক পুশিন তৌবদা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট কয়া ফাওদুনা চৎলি। মসিনা মরম ওইরগা ঐখোয়গী নহারোলশিং (য়ুথ) ময়াই কাবা দ্রগ লান্না শীজিন্নবগী মরম অমা ওই। মরম অসিনা ঐখোয়গী ফ্যুচরগীদমক আইন্না য়াদবা থবকশিং অসি তৌদনবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক্কী ইথৌনি।

মীওইবা কাঙলূপ্পু (হ্যুমেন সোসাইটি) লৈখা তানা মাঙহল্লিবা হুগী মশক ওইবা পোৎশকশিং থিংবা অমদি মসিবু করবার তৌরিবশিংবু অকনবা চৈরাক পীবগী মথৌ তারকই। মরম অসিদগী মালেম পূম্বনা দ্রগ এব্যুস অমদি ইলিসিট ত্রাফিক থিংননবা অকনবা চৈরাক ফংহন্নবা লো কয়া শেমই। ইন্দিয়াগী ওইনা এন দি এন্দ পি এস এক্ট অমদি দি প্রিভেন্সন ওফ ইলিসিট ত্রাফিকিং ইন নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোত্রোপিক সবষ্টেন্সেস এক্ট এন্দ রুলস শেমই। এন দি এন্দ পি এস এক্ট অসি Chapter I-VI লৈ। ফার্ষ্ট চেপ্টরদনা টর্মশিংগী দিফিনিসনশিং য়াওই। সেকেন্দ চেপ্টরদনা ওথোরিটিস এন্দ ওফিসরসশিংনা দ্রগ এব্যুজ অমদি ইলিসিট ত্রাফিকং করম্না অমদি কনানা ঙাকথোক্কদগে হায়বদু য়াওই। Chapter II A দনা নেসনল ফন্দ ফোর কন্ত্রোল ওফ দ্রগ এব্যুজ হায়বসি য়াওই। প্রোহিবিসন, কন্ত্রোল এন্দ রিগ্যুলেসনগী মরমদনা Chapter III দা ইদুনা য়াওই। য়াম্না মরুওইবা পার্ট হায়রগদি এন দি এন্দ পি এস এক্টকী Chapter IV অসিনি। মসিদা করম্বা মখলগী ওফেন্সতা করি পেনালটি ফংগনি হায়বদু য়াওরি। অদুগা Chapter V তদি Legal practitioners or Advoctes & Law inforcement agencies শিংগী মথৌশিংনি। Chapter V A দনা ইলিগেল ওইবা মওংদা দ্রগ ললোনবগা মরী লৈননা তানশিনবা মরল-মথুম ওথোরিটিশিংনা Forfiet তৌবগা লোয়ননা চৈরাক ফংহন্নবগী চেপ্টরনি। Last Chapter of N D & P S Act অসিনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টগী লৌখৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং অমদি Customs Act, 1962 & Drugs & Cosmetics Act, 1940 না তৌবা য়াবশিং য়াওরি।

দ্রগ এন্দ মণিপুর :- কানি (ওপিয়ম) ইহান হান্না মেসোপোটামিয়াদা হৌই হায়না থাজনৈ। মেসোপোটামিয়াদগী চাইনাদা মরাং কায়না থাই অমদি ফংই। মথংদা ইন্দিয়াদা লাকই/পুশিল্লকই। হেরোইন শুংফম অয়াম্বা ইন্দিয়াগা য়াম্না নক্লে। মণিপুরদা টমু ফাওরেগা ইম্ফাল-মোরে লম্বীদা হেরোইন পুশিল্লকই। বর্ম্মাদগী ইলিগেল ত্রাফিকিংগী মণিপুরগী লম্বীশিংদি : টমু-মোরে-ইম্ফাল, মন্দলে-টিদ্দিম-চুড়াচান্দপুর-ইম্ফাল, মন্দলে-টিদ্দিম-চম্পাই-আইজোলনি। দ্রগ য়ুজরস, ঐচ আই ভি/এইদস, দ্রগ এদিক্টস অমদি দ্রগ লোন্না লল্লোনবদা মণিপুর অসি মাঙজিল থাবা লৈবাক অমা ওইরি। মসিমক য়াম্না নুংনাংনীংঙাই ওইবা মশকনি।

আইন্না য়াবা মওংদা দ্রগ য়োনবা, লৈবা, ফেক্টরি চলাইবা য়াই হায়না এক্ট অসিনা হায়রি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা এক্ট অসিগী মখাদা লাইসেন্স পীদুনা চলাইবা ফেক্টরি হায়বদি পেসেন্টশিংগীদমক হীদাক ওইনা শীজিন্ননবা মখলগী দ্রগশিং শেম্বা অমদি এক্ট অসিগী মখাদা লাইসেন্স পায়রবশিংনা য়োনবা, লৈবা তৌবা য়াই। অসিগুম্বা মখলগী দ্রগশিং ডোক্তরগী অইবা চে (Prescription) য়াওরগা ফার্মাসিশিংদগী লৈবা য়াই। অসুম্না আইন্না য়াবা মওংগী থৌওং অসি তৌরবদি দ্রগ অমদি সাইকোত্রোপিক সবষ্টেন্সেসশিংনা মীওইবগী পুন্সি অমা অৱাবদগী অমদি শিগদবদগী তমথীরবা লায়না কয়া ঙাকথোকই। অদুবু মসি নত্তবা মওংদা, লাইসেন্স পায়দুনা ফেক্টরি (For Medicine), Hospital, Pharmacy, Medical Institution (Govt. & Private) নচিংবনা এক্ট অসিগী কাঙলোনশিং কায়না তৌগে হায়না নৎত্রগা অতোপ্পগী থৌইনশিন্দগী তৌরবদি শুকশোয় শোয়দনা চৈরাক ফংগনি। অসুম্না অমদি অতোপ্পা এক্ট অসিগী মখাদা অরানবা তৌরে হায়না চিংনরবা নৎত্রগা হকথেংননা থেংনরবদি পুলিস, এক্সাইজ, কষ্টমসনচিংবগী ওফিসর অমনা হেক্তা ফাবা ঙমই। মসিগা মরী লৈনবা এক্ট খরগী মখাদসু চিংনরবা মীওইশিং নৎত্রগা হকথেংননা থেংনরবশিং ফাবা য়াই। হায়রিবা এক্টশিং অদুদি কষ্টমস এক্ট, ১৯৬২ অমসুং দ্রগস এন্দ কোসমেটিক্স এক্ট, ১৯৪০নি।

এক্ট অসিদা দ্রগ লান্না শীজিন্নবদগী অৱাবা মায়োক্নরবশিংবু আইন্না য়ারবা হায়বদি এক্ট অসিগী মখাদা শেম্বা কাঙলোন্দা Narcotic Drugs and Psychotropic Substances (National Fund for Control of Drug Abuse) Rulse, 2006 অসিনা ফন্দ পীথদুনা গভর্ণমেন্ট/নন গভর্ণমেন্ট ওর্গেনাইজেসনশিংগী খূত্থাংদা রুলস অসিনা পীরিবা থবক থৌরমশিং তৌহল্লি। মণিপুরদসু এক্ট অমদি রুলশিং অসিনা কোনবনিনা মসিগী ৱাংমদা থবক তৌরুবা খুদিংমক চৈরাক হায়সিদি শোয়দ্রে। অসুক য়াম্না ময়াক কনবা পাম্বে লৈনা লৈনা মণিপুরদা ময়াই কাবা দ্রগকা মরী লৈনবা পাউ তোয়না তারি। অদু ওইরবদি ঐখোয়না করি তৌবা তাই অমদি ঐখোয়গী ইথৌ করিনো হায়বদু তঙাইফরক্তে। অনাবা মীওই অমা লায়েংবা হায়বসি ডোক্তরগী অমদি হোস্পিটাল অদুগী মথৌনি। হায়বদি ময়াই কাবা দ্রগপু অরানবা মওংদা শীজিন্নবা/ললোনবা, চিংনদুনা নৎত্রগা থেংনদুনা ফাবা মরী লৈনবা পুলিসকী মথৌনি। মসিগা মরী লৈননা চথ্নরকপা রুলশিং এদভোকেটস অমদি কোর্টসকী থবকনি। অদুম ওইরগসু হকচাংদা অনাবা লৈহন্দনবা হোৎনবসি ইশা ইশাগী ইথৌ ওইবগুম দ্রগতা লায়চুহন্দনবা হোৎনবা হায়বসি ইশা ইশাগী ইথৌ ওই। হায়বদি ইশাগী হক (রাইট) কনবা হায়বসি তঙাইফদে।

মরালগী মতুং ইন্না য়াল্লবদা চহী ১০দগীনা মপুন্সি চূপ্পা কৈশুমশঙদা লৈবগা লোয়ননা লুপা লাক্ষ অমদগী অনী ফাওবা ফাইন থিহনবা হায়বনচিংবা অকনবা চৈরাক য়াওরিবা এক্ট অসিগী মথৌ য়াম্না চাউই। অমুক্তং লাইবক য়েংলগা ইমুং মনুংগী লন-থুম পৈরগে হায়না খনবদগী অরানবা লম্বীসিদা চঙদুনা মশানা মায় পাক্লে হায়না খঞ্জরবসু হুরানবগী তরানি মপূগী নোংমা হায়দুনা আইন অসিগী খূৎতা তারবা মতমদুদদা খঙগনি, অরানবা লম্বীদা চঙলকপা লন-থুম, য়ূম-কৈ পূম্নমক ওথোরিটিশিংনা মৎপা ঙম্বগী শক্তি লৈ। মসি খঙনা খঙনা অরানবা তৌবশিংনা মশাবুদা নত্তনা সোসাইটি, ফেমিলিনচিংবা মাঙহন্নবা তৌই হায়না ঐখোয়না লৌগদবনি। মমা-মপা ওজা, অহলশিং অমদি মীওই খুদিংমক্না অঙাংশিংবু চেকশিন্না শেন্নবা হায়বসি ইথৌনি হায়না লৌগদবনি। মনুংদা য়াওরিবা খরা কোমথোকপা থৌওংশিং অমদি দ্রগ মখলশিংনচিংবা মখোয়দা খঙহনবগী মহুত্তা লোনচৎ-শাজৎ অফবা, মপা-মমাদা অরোনবা থমদনা মশানা হায়দোকনীংবশিং মুন্না তাবীদুনা অফ-ফত্তা মুন্না তাকপী তম্বীবনা খ্বাইদগী অফবা পাম্বেনি।

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -২

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

**মণিপুর** লৈঙাক্না মণিপুর রাইশ (মুভমেন্ট কন্ত্রোল) ওর্দর ১৯৫০, এপ্রিল ২৭, ১৯৫০দা থোক্তুনা মণিপুরগী মফম অমদগী মপান্দা দেপ্যুটি কম্মিস্নারনা পীবা পার্মিট পায়দনা চেঙ, ফৌ থাদোকপা য়ারোই হায়দুনা থোকই। লৈঙাক্কী প্রেস নোট ১৭ : "জুলাই ১দগী জুলাই ৭ ফাওবা বন মহোসব তৌগনি, দেপ্যুটি কম্মিস্নার, লৈবাক্কী লুচিংবশিং, ওফিসকী মকোকশিংনা থবক অসি থৱায় য়াওনা নুংঙাইবগা লোয়ননা উ থাবিনবা হায়জরি।"

জুলাই ৬, ১৯৫০গী হুকুম অমনা (হিম্মট সিংহ চীফ কম্মিস্নরনা থোকপা) জুলাই ৩, ১৯৫০দগী ফোরেনগী ফি, ফোরেন অমসুং ইন্দিয়াগী লংশিংদা অথিংবা থনম্বা অদু লৌথোকখ্রে হায়।

জুলাই ২৬, ১৯৫০দা থোকপা হুকুম অমনা ইমুং মনুংগী শীজিন্নবা য়োননবা নত্তবা পুকয়ু-ৱাইয়ু পাচৱাই অসি undiluted সের ৪ নৎত্রগা diluted সের ১২ ফাওবা এক্সাইজ টেক্সতগী কোমথোক্কনি। চীং লম্বী শেম্বদা য়াওনীংদবা খুনগী য়ূমথোংদা নুপা ২ লৌবগী হুকুমদু কুমজা ১৯৪৯দগী হেন্না চৎনরোই। চৎলিবা কুমজা অসিদগী হুকুম অদু চৎনরোই হায়না G. H. Singh Publicity officer না থোকপা হুকুম অমা মণিপুর গেজেট সেপ্তেম্বর ১, ১৯৫০দা ইরি।

G. H. Singh অসি গৌরহরি সিংহ/সনসম গৌরহরিনি। মহাক পব্লিসিটি ওফিসর ওইরম্মী। বোধচন্দ্র মহারাজগী মতমদদি মহারাজগী প্রাইভেট সেক্রেটরি ওইরম্বনি।

ওর্দর নম্বর R/20/50/515 32D-1950 ইম্ফাল, দি ৩১ ওগষ্ট ১৯৫০ থোক্তুনা চীফ কম্মিস্নরনা মাও সব দিভিজন অমসুং সদর সব দিভিজন অসি পূনশিল্লে, সব দিভিজনেল ওফিসর সদরনা শ্রী লারহো এস দি সী ইন চার্জ মাও সব দিভিজন্দগী চার্জ লৌনবা খঙহনখি। মাও সব দিভিজন অসি রেকোর্দ হেক শিন্নবা লোইবদা মুখৎনখি।

লিলোংদা লৈরম্বা মুসলিম পঞ্চায়ট অসিবু চীফ কম্মিস্নরনা মে ১, ১৯৫০দগী মুখৎখি। থবক তৌরম্বশিং থা ৩গী মতম পীরগা লৌথোকখি।

ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা য়াথং পীরকপদগী এদভাইজরি কাউন্সিলনা অমা শেমখি। মসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্না ওগষ্ট ১৮, ১৯৫০দা নোটিফিকেসন অমা থোকখি। কাউন্সিল অসি মেম্বর ১৪না শাগদবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না চীফ কম্মিস্নরগা তানরগা হাপকদবনি। মশাগী চহী ২১ হেন্দবা, মণিপুরদা লৈবা মী ওইগদবনি। কাউন্সিল অসি পাউতাক পীবতনি। অদুগা মখোয়গী পাউতাক অদু চীফ কম্মিস্নরনা লৌদবা য়াদে হায়বদি লৈতে। অদুবু মহাক্না পাউতাক অদু মুন্না খনগদবনি।

য়ামদ্রবদা থা ৩গী মনুংদা অমুক্তগী তাদনা কাউন্সিল থমগদবনি। চীফ কম্মিস্নরনা কাউন্সিলগী মিটিং খুদিংমক্তা প্রসিদেন্ট ওইগদবনি।

চীফ কম্মিস্নরনা য়াবা ওফিসরদি মিটিংদা লাকপা ৱা খন্নবা য়াওবা অদুগা খন্নবগী মচাক পুথোরকপা য়াগনি। অদুগা মখোয়না ভোট পীবদি য়ারোই।

চীফ কম্মিস্নরনা সভা অসিদা তানগদবদি

(ক) লুপা ২৫,০০০দগী হেন্দবা, ইতৎ তত্তনা চৎনগদবা শেনফম অদুগা অমুক্তগী হেল্লোইদবা শেনফম লুপা ১,০০,০০০দগী হেন্দ্রবদি সভাদা তাক্লোই। অসি নত্তবা হীরম পূম্নমক্তা সভাগা তানগদবনি।

(খ) লৈঙাক্তা চাউরাক্না চৎনগদবা হীরম, লৈবাক চাওখৎনবগী থৌরাং অমসুং আইন শেম্বগী থৌরমদি তানগনি। নুমিৎ খুদিংগী তৌরিবা ৱায়েল থৌদাগী হীরম অমসুং থোইনা মরুওইদবা ফম হাপ্পগী মরমদসু তানরোই।

(গ) গভর্ণমেন্টনা অনৌবা হীরম অমা পায়খৎলকপদা লৈবাক চাওখৎননবগী শিনবা ৱাখলদু থবক ওম্বোক্লবা তৌবদা তান্নগনি।

(ঘ) চীফ কম্মিস্নারনা, ইন্দিয়া লৈঙাক্না কাউন্সিলদা পীথোরকপা করিগুম্বা হীরম -

হায়দোক্লুরগা নৎত্রগা খন্নরুরগা মীচম মীয়ামগী ফৎলোইদবা লৈরগদি তাকথোক্তবা নৎত্রগা খন্নহন্দবা য়াওই। ৱা লেপ্পবা অমসুং লৈঙাক্কী অফ-ফত্তগী য়েৎনবদা ষ্টেট অমগী আইন সভাগী মেম্বরশিংনা ঙম্বদু অদুগুম্না ঙমগনি।

সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা সেপ্তেম্বর ১২, ১৯৫০দা মীওই ১৪বু মণিপুর এদভাইজরি কাউন্সিলগী মেম্বর ওইনা খনখি। মসিবু মণিপুর লৈঙাক্না সেপ্তেম্বর ১৬, ১৯৫০দা নোটিফিকেসন অমা থোকখি অমসুং মণিপুর গেজেট এক্সত্রাওর্দিনরী নম্বর No. 81-E-39 Saturday 16, 1950 দা ফোঙখি। মেম্বরশিং অদুদি ১) কৃষ্ণমোহন (২) সোমোরেন্দ্র (৩) দ্বিজামনি শর্ম্মা (৪) য়ুগেশ্বর (৫) ইন্দ্রমনি (৬) এ গৌরবিধু (৭) অলিম উদ্দিন (৮) এন ইবোমচা, (৯) এস এন লুননেহ (১০) তেবা কিলোং (১১), ডাইহো (১২) আর সুইসা (১৩) শোলেট কুকি (১৪) এম চন্দ্র অসিনি।

টিবিপজেন, এক্স ওফিসর সেক্রেটরি এদভাইজরি কাউন্সিলনা তাং ৪, নবেম্বর ১৯৫০দা থোকপা হুকুম অমনা এ ভাইথেগী মহুৎ এন মোদোলিনা শিনখি।

Himmat Singh K. Maheshwori, Chief Commissioner and President Manipur State Advisory Council না 1st sitting অদু মণিপুর সেক্রেটরিয়েট বিল্ডিং, ইম্ফালদা ওক্টোবর ৯, ১৯৫০, Monday দা পুং ১১দা হৌদোকখি।

মহাক্কী Inaugural speech কী ৱারোল খরা :-

Manipur occupies a strategic place of great importance and forms the North-Eastern gateway of India. In view of that importance, You should constantly bear in mind the vital fact that Manipur is an integral part of the Republic of India. All Manipuries, Meiteis and Tribesmen alike, should therefore think more and more in terms of their rights and obligations as India first and not merely as residents of the small state of Manipur People of other parts of India can no longer be treated and foreigners' and discreminatory treatment against them is neither possible nor wise. Manipur has a remarkable history and a glorious tradition of her own. Culturally and economically, it can make a Substantial contribution to onr motherland India — in many sphere.-. The physical features of the land are unique and with some knowledge of Kashmir, & make bold to say that soil, climate, rainfall and great love of nature, combined with the simple character of the people and their great love for art, drama and dance are valuable factors which can, with due attention make Manipur as charming and attractive to the tourist as Kashmir is.

Intellectually Manipuris are not backward in any case. A Mauipuri boy, Brajamani Mukherji, stood first in the Matriculation Examination of the Gauhati University this year and a hill-boy of Manipur secured the 9th place in the same examination in order of merit. Another Manipuri L. Gopal Singh, has made a very promising beginning as a Gazetted officer in the Manipur Police.

The communist party of Manipur has recently recruited dacoits and goondas to its ranks and has committed cowardly crimes. In the interest of Manipur and India the criminal activities of this gang must he brought to an end in the shortest space of time.

The 5 items of work which I wish to place before you as deserving of the highest priority are —

(i) Communications,

(ii) Primary Education

(iii) Medical and Veterinary aid in villages,

(iv) Cottage industries, specially the handloom industry and (v) Production of more food.

Dis-unity and faction mean weakness and frittering away of energy and opportunity. Therefore, think and act unitedly and your voice cannot fail to be heard.

Himmat Singh

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অনৌবা কুমওনগী অনৌবা আশা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**অরিবা** কুমজা ২০১৭ মতমগী খোঙলৈনা লেপ্পা লৈতনা মথৌ তৌদুনা অরেপ্পা লৈতবা খোঙচৎনা পুবিখ্রে। হৌজিক অনৌবা কুমওন, অনৌবা আশা কয়াগা ইরোইননা য়াওনলক্লে। মসিদা লমদম অসিগী মীওই খুদিংনা অফবা ৱাখল, পুকচেল শেংবা থবক কয়া ঙসিগী লৈঙাক্কী অচৌবা থাজবগা লোয়ননা আশা তৌনরমগনি অমসুং ৱারেংজরিবা ইশাসু তৌজরি।

লোইশঙ খুদিংগী থৌমী খুদিং মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপীগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা কয়া থমজরি। মসিদা মরু ওইনা শেঞ্জা থুমজা লৈতবা নুপী অঙাংবু ইকায়খুম্নবীবা মখোয়বু অৱাংবা থাক্তা থম্বীবা অনৌবা চহী মানা লাকপদা ইরোয়নরকপা ওইরসনু। মীয়াম খুদিংগী থম্মোয়দা বন্দ অমসুং ষ্ট্রাইক্কী মমি তাদবা ওইরসনু। কুমজা ২০১৭তা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা হায়বিখিবা লৈঙাক্কী থবক তৌবশিংগী মচা অমত্তা লন্নাই স্কুলদা থাবা য়ারোই হায়বা অসি হন্দক্কী কুমজা ২০১৮ অসিদদি মদুগী মহাও অনৌবা চহীগী য়াওন্দা য়াওরকপা ওইরসনু। নুপী লৈশাবী ইনখৎলক্লিবী য়াওনা মৌ নহা কয়ানা ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তা চুশিন্নবা হোৎনরকপা, য়ুঙাং অমদি য়ুঙৌ কয়া লৈরগা থক্লরকপা অসিগুম্বা অসি অনৌবা চহী লাকপদা থাদোকপগী আশা লাকপা ওইরসনু। হুরানবগী ৱাখল, দ্রগ ললোনবগী ৱাখল থাদোক্তুনা অফবা লমদম অমগী আশাদা হিংনীংবগী ৱাখল লাকপা ওইরসনু। মসিগী মথক্তা স্কুল এদ্যুকেসন্দা অৱাংবা থাক্কী পূক্লিং চঙবীদুনা অনৌবা চহীগী খুদোল ওইনা আশা কয়া তৌজরি।

এদ্যুকেসনবু লৈবাক অমগী য়াংলেন শরুনি হায়নরিবা অসিগী মতাংদা হন্দক অনৌবা য়াওল অমা ওইনা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা থম্বাল শাৎলকপা অসিদা সেন্তরগী মোদিজিগী ফজরবা লৈঙাক্কী থৌশিল কয়া ইন্দিয়াগী কাচিন কোয়া খুদিং চিংথবা লৈতনা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা কয়া মীয়ামদা উহনবীরে, কয়া অমসু উহনবীরক্কনি। মসিদা মণিপুরগী চহী ১৫ চূপ্না লৈঙাক চূপ্পি পায়রল্লবা কোংগ্রেস লৈঙাক্না নমশিন্দুনা থল্লম্বা থবক থৌরম কয়া, মখোয়না মোৎহল্লম্বা কয়া অনৌবা শেংদোক্লবা মেছিন কয়া থাজিন্দুনা হনবা লৈতনা থৌনাগা লোয়ননা হীরম কয়াদা বি জে পিগী ইকায়খুম্নজরিবা নোংথোম্বম বিরেনগী লৈঙাক্না হোৎনরক্লিবা অসি ঐখোয়না তরায়না লৌফম থোক্তে। মসিদা ঐখোয়না অনৌবা চহীগী অনৌবা আশাগী ময়োন চোংহনবা লোয়ননা শকউদবা মপূ মহাক্না পেনবীবগা লোয়ননা ইকায়খুম্নজরিবা সী এম অমদি মহাক্কী কলিগশিংবু মুৎপা নাইররোইদবা মণিপুরগী পুৱারীদা অরংবা মুক্না ইদুনা লৈহৌরগনি হায়বসি অরানবা ওইরোই। মণিপুরগী কোংগ্রেস লৈঙাক্না নমশিন্দুনা থম্বীরম্বা কয়াগী মনুংদা এদেদ স্কুলশিং অমদি কোলেজশিংসু অমনি। কুমজা ১৯৮০গী ওক্টোবর ১ মতমদুগী আর কে দোরেন্দ্রোগী লৈঙাক্তা ইরেংবম তোম্পোক্না এদ্যুকেসন মন্ত্রি ওইবা মতমদা মণিপুরগী রিকোগনাইজ স্কুল ৬০৫ গ্রান্ট পীবিদুনা থৱায় হাপীখিবনি। মতমদুদা হায় স্কুলগী থাক্তা কেরানি অমা য়াওনা নন-প্লান্দা পোষ্ট ৪/৪ পীবিখিবনি। ইলিমেন্টরিদা পোষ্ট ২/২ পীবিখিবনি। অদুগী মতুংইন্না কুমজা ১৯৮৬তা মণিপুর Govt. Post Creation No. 4/8/85-SE(S) pt. dt. 4-4-1986 দা প্লান্ট পোষ্ট ১/১ পীবিদুনা অপূনবা সেঙ্কসন পোষ্ট ১৭৪৯ লৈরকখিবনি। অদুগী মথক্তা এদেদ সেকেন্দরিদা হিন্দি পোষ্ট ৯৯ সেন্তরনা ১০০দা ১০০ গ্রান্দ পীদুনা লৈরকপা অদু কুমজা ২০০২দগী মণিপুর লৈঙাক্না ককথৎলগা নমশিন্দুনা থম্বীখিবনি। মসিদা উপায় লৈত্রবা ওজাশিংনা অঙম অথৌ কয়াদা হায়জ চৎচবা তৌবদসু নুংদা ঈশিং চাইবগুম থোকখি। উপায় লৈত্রবা ওজাশিংনা সেন্তরদা চেরোল থাদুনা খঙহনবদা সেন্তরনা হিন্দিবু য়াম্না মরু ওইবা হীরম অমা ওইনা লৌবিদুনা I.P. Mistra Eco. Advisor D.O. No. 7-4/2011/A.I.T. dt. 19-7-2011 Govt. of India Ministry of Human Resource Development of School Education and Literacy Santivawan New Delhi, 110115 অসিগী মতুং ইন্না মণিপুর লৈঙাক্তা মরম পীরক্লবা হায়রকপদা তাবীদনা দিরেক্টিব নমশিন্দুনা থম্বীখিবনি।

অমুক্না হেন্না শাথিরিবদি গ্রান্দ পোষ্ট সেকেন্দরি অমদি ইলিমেন্টরি অনীমক্তা চহী শুদনা থবক্তগী পোত্থাখিবা, শিখি-নাখিবা য়াওখিবা কয়াগী মহুৎ দি পি সী তৌদুনা হাপ্পা য়ারম্মী। হাপ্পা মতমদা মতমগী অহোবা লৈরমদে। লৈরবসু রেষ্ট্রোপেটিক ইফেক তৌবিরম্মী। অদুবু থৌবাল হাওখাগী স্কুল অমগী চয়েৎনবা কেস অমগা মরী লৈননা স্কুল অদুগী অচুম্বা ৱায়েল তৌবগী মহুৎ এদেদ পূম্নমক্কী পোষ্ট মহুৎ হাপ্পা য়াদনা থিংজিনখি। অসুম্না স্কুল অমখক্কী মৈচেন্নদুনা কুমজা ২০০৬তগী ২২-১২-২০১১ ফাওবা নমশিন্দুনা থমখিবনি। অমুক্না কন্না হোৎনদুনা কুমজা ২০১১গী দিসেম্বর ২৩দা রাজ্যগী লৈঙাক্না কনভে ওর্দর থোক্তুনা পোষ্ট মেনশিনবা য়াখি। অদুবু লাইবক থীবদি মথৌদি তৌবা ওজাশিংগী চহী মঙা তরুক্কী পুথখিবা মতমগী শেনফম মণিপুর লৈঙাক্না মৎতুনা খুদক্কী ওইবা ইফেক্ট তৌবিদুনা এদেদতা ফুংগৎপা ঙমদনা লাই ওইরবা অনাবগুগম ঙসি ফাওবা লৈরি। অমুক্না মণিপুর লৈঙাক্না চহী ৬০ শুরবা অহল খুদিং অহল ওইবগী পেন্সন পীবিরি। অদুবু অপীকপা এপ্রুভ ওজা অনী অহুমগী পৈশা খরনা য়েন্নদুনা ফংবা ৱারবা ওজাশিংনা থবক্তগী পোত্থাখিবা চহীনদি লুমশিল্লবা অতোপ্পা থবক শুবা চৎপা ঙমজদ্রবা পুন্সি নুমিৎ তাশিল্লক্লবা ওজাশিং অসিগী পেন্সন খরতসু পীবীনবা হায়জবা ঙসি ফাওবা তাবীদনা লালিবনি। উপাই লৈত্রবা ওজাশিংনা হায় কোর্টকী মতেং লৌবদসু কোর্টপু ইকায়খুম্নদনা কোংগ্রেস লৈঙাক্না নমশিন্দুনা থম্বীখিবনি। পূম্নমক অসিদা সেন্তরগী তরুকশুবা পে চৎনখিবা চহী অহুম মরি শুজিনখ্রে। অমুক্না তরেৎশুবা পে রিভাইস লাকপা হৌখ্রবা অসিদা এদেদ স্কুলগী এপ্রুভ ওজাশিংগীদমক্তি নাথৈরগা থম্বীরিবনি। পূম্নমক অসি ঙসিগী লৈঙাক্না অনৌবা চহীগী য়াওলগা ইরোইননা মীয়ামগী অমদি এদেদ স্কুলগী অচৌবা আশা অমা কুমজা ২০১৮ অসিদা শোয়দনা পীবিরক্কনি হায়বগী অচৌবা আশা এদেদ ওজাশিংনা তৌজরি। অদু ওইরবদি এদেদ ওজাশিংবু অমুক হন্না পোকপীবগী পুন্সিগী লমন তোনশিঞ্জরে খঞ্জগনি।

*অদোমগী - এম থম্বৌ, ককচীং খুনৌ*

